

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, JULY 04, 2019 **PAGE 7**


*ফ্রান্সকী ক্লব লিওনদগী রেকোর্দ ওইনা য়ুরো মিলিয়ন ৬০ দা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদা সাইন তৌখ্রবা ফ্রান্স মচা এনদোম্বেলে*

*ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ক্লব জমসেদপুর এফ সিদা চহী ৩ শান্নবগী সাইন তৌখ্রবা ইন্দিয়াগী রাইজিং ষ্টার নরেন্দর গেহলোট*

## ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু রন ১১৯ দা চাওনা মায়থিবা পীদুনা আই সি সি ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




*লন্দন, জুলাই ০৩ (এজেন্সি)ঃ*
য়ুম্বু ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু রন ১১৯ দা চাওনা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

৪১শুবা রাউন্দগী মেটচ অসিগী টোস য়ুম্বু ইংলেন্দনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি। মখোয়না হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩০৫ লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদুগী অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ১০০ লাম্হোকপা ঙমখি। ওপনর জেসন রোয়না বোল ৬১ মায়োক্লবদা ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৬০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা জো রুটসু বোল ২৫ মায়োক্লবদা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ইংলেন্দগী বেট্টিং অসিদা ওপনর ওইখিবা জোন্নী বেয়রষ্টোনা ন্যু জিলেন্দগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৯৯ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ১৫ য়ৈরগা রন ১০৬ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন ইওন মোরগাননা বোল ৪০ দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪২ লৌরম্বা অসিনা মপুং ওইরগা ইংলেন্দগী অপুনবা রন অদু ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩০৫ লৌখি।

ন্যু জিলেন্দগী বোল্লিংদা ত্রেন্ট বোল্ট, মেট হেনরি অমদি জেমস নিসামনা ইংলেন্দগী বেটসমেন ২ / ২ আওট তাহনবা ঙমখি।

মেটচ অসি মায় পাক্নবগী ন্যু জিলেন্দনা রন ৩০৬ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৪৫শুবা ওভর লোইশিনখিবদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৮৬ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ইংলেন্দনা ন্যু জিলেন্দবু রন ১১৯ দা চাওনা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম শোকখি। টিম অসিগী ওপনর হেনরি নিকোলাস রন অমত্তা লৌরমদনা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর মার্টিন গুপ্তিলসু শুপ্নগী রন ৮ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ন্যু জিলেন্দগী ফিভম শোকচিল্লকখিবনি।

নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন অমসুং রোজ টেলনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকখি। কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসনসু রন ২৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ইকুই কুইদনা রোজ টেলরসু রন ২৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা টোম লাথমনা বোল ৬৫ দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন রন ৫৭ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন জেমস নিসামসু রন ১৯ লৌরমখি।

ইংলেন্দগী বোল্লিংদা মার্ক ৱুদনা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন ৩ আওট ওইহন্দুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইবা ঙমখি।

**Today's Match**

Match No. 42
Afghanistan vs West Indies
Venue:Headingley, Leeds
Time (in IST) : 3.00 pm

**ICC Cricket World Cup 2019 - Points Table**

| Teams | M | Won | Lost | Tied | NR | Pts | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Australia | 8 | 7 | 1 | 0 | 0 | 14 | +1.000 |
| India | 8 | 6 | 1 | 0 | 1 | 13 | +0.811 |
| England | 9 | 6 | 3 | 0 | 0 | 12 | +1.152 |
| New Zealand | 9 | 5 | 3 | 0 | 1 | 11 | +0.175 |
| Pakistan | 8 | 4 | 3 | 0 | 1 | 9 | -0.792 |
| Sri Lanka | 8 | 3 | 3 | 0 | 2 | 8 | -0.934 |
| Bangladesh | 8 | 3 | 4 | 0 | 1 | 7 | -0.195 |
| South Africa | 8 | 2 | 5 | 0 | 1 | 5 | -0.080 |
| West Indies | 8 | 1 | 6 | 0 | 1 | 3 | -0.335 |
| Afghanistan | 8 | 0 | 8 | 0 | 0 | 0 | -1.418 |

## য়ু এস এনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল চঙখ্রে




*লিওন, জুলাই ০৩ (এজেন্সি)ঃ*
ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন য়ু এস এনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ফ্রান্সকী সিটি লিওনদা লৈবা পার্ক ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা য়ু এস এ অমদি ইংলেন্দ লম্বা মান্নরকখ্রবসু গোল চনশিনবা য়াবগী খুদোংচাবা য়ু এস এগী শান্নরোইশিংনা হেন্না ফংখি।

শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা য়ু এস এগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা খৃষ্টেন প্রেসনা হেদ্দিং অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল শোথদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোই য়ু এসকী মায়োক্তা এটেক কয়া চথরক্তুনা পাঞ্জল হনে দাক্নবা হোৎনরকখি। ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংগী হোৎনজমন অদুনা মেটচকী ১৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই ইল্লেন হ্বাইটনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা গোল ওইদুনা মেটচ অদু ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।


মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা য়ু এস এগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লিন্দসে হোরাননা ৱাংনা পীরকপা অমা টিমমেট এলেক্স মোরগাননা য়াম্না ফজনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা গোল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা য়ু এস এনা ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোই অমনা চনখিবা গোল অমা ভারগী মতেংনা রিভিয়ু তৌবদা ওফ সাইদ তারম্বদগী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ইংলেন্দনা মাঙজখি।

শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোই মিলি ব্রাইট চৎন–পথাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবদগী ইংলেন্দগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু য়ু এস এনা ইংলেন্দবু ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

## ব্রাজিলনা আর্জেন্টিনাবু ২–০ দা থোইদুনা কুমজা ২০০৭গী মতুংদা কোপা অমেরিকাগী ফাইনেল চঙখ্রে



*বেলো হোরিজোন্টে, জুলাই ০৩ (এজেন্সি)ঃ*
ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা কোনমেবোলগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোপা অমেরিকাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু ব্রাজিলনা আর্জেন্টিনাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা কুমজা ২০০৭ গী মতুংদা অহানবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌখ্রে।

কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।

মেটচকী ১৯শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা গাব্রিয়েল জিজসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না অদুমক চথদুনা লাকখি। ব্রাজিলগী এটেকশিং অদু আর্জেন্টিনাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ব্রাজিলনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখি। আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা রোবার্টো ফিরমিনোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা আর্জেন্টিনাবু ২–০ দা মাঙজিল থারগা ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনহনখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৯ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিং পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙমখিদবদগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ব্রাজিলনা আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনা অমদি রুশিয়াগী মেদভেদেভ ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে





*লন্দন, জুলাই ০৩ (এজেন্সি)ঃ*
য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা অমদি রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভ ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী এম গাস্পারিয়ানবু অহানবা সেট ৭–৫ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটসু ৬–৫ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা রুশিয়াগী শান্নরোই গাস্পারিয়ান শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনা অহুমশুবা রাউন্দদা ৩১শুবা সিদেদ গ্রিসকী এম সাকারিগা শান্নরগনি। গ্রিসকী সাকারিনা অনীশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিক্কী এম বোজকোভাবু ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ওম বুজারনেস্কুবু ৬–৩, ৪–৬, ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা শান্নরগনি। অজারেনকানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এম টোমলজানোভিসপু ৬–২, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

৩শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা প্যুটো রিকোগী শান্নরোই মোনিকা প্যুগপু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–০, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা ২৮শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈগা শান্নরগনি।

চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা বেলজিয়মগী কে ফ্লিপকেন্সপু ৭–৬(৭–৩), ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

২০শুবা সিদেদ ইষ্টোনিয়াগী এন্নেট কোন্টাভিয়েটনা অনীশুবা রাউন্দদা বৃটেনগী শান্নরোই ঐচ ৱাটসনবু ৭–৫, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিক্কী কে মুচোভাগা শান্নরগনি।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ১১শুবা সিদেদ ওইরিবা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ পোপিরিনবু ৬–৭(৬–৮), ৬–১, ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা ২১শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনগা শান্নরগনি।

বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিননা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী জেরেমী চার্দিবু ষ্ট্রেট সেট অহুম ৬–২, ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

১৫শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিকনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী রোবিন হেসপু ৭–৬(৭–১), ৭–৫, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী আর ওপেল্কাগা শান্নরগনি। য়ু এসকী ওপেল্কানা অনীশুবা রাউন্দদা ২২শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু ৭–৫, ৩–৬, ৪–৬, ৬–৪, ৮–৬ তা থোইরম্বনি।

## লক্ষ্য সেন, সৌরভ ভর্মা অমদি অজয় জয়ারাম অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে




*কালগেরি, জুলাই ০৩ (এজেন্সি)ঃ*
কানাদাগী সিটি কালগেরিদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর লক্ষ্য সেন, অজয় জয়ারাম অমদি সৌরভ ভর্মা সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ইংলেন্দগী শান্নরোই চুন কার লুংবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–৭, ২১–৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী ৱেং হোংয়াংগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ১৩ ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অজয় জয়ারামনা কানাদাগী শান্নরোই হুৱাং গুওজিংবু য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লুরবা মতুং ২১–১৫, ২০–২২, ২১–১৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ রজিভ ওসেফকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নেসনেল চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্মনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক কানাদাগী শান্নরোই এন্তোনিও লিবু ২১–১৮, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী অতোপ্পা শান্নরোই বি আর সনকির্থকা শান্নরগনি।

কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী কিম হিও মিননা কানাদাগী শান্নরোই ৱেন্দি ঝাংবু ২১–১৫, ২১–৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

য়ু এস এগী ক্রাইষ্টেল পানসু ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা কানাদাগী শান্নরোই কেটি হো সুবু ২১–১৩, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱেন্দি চেননা স্পেনগী অজুরমেন্দিবু ২১–১৪, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

## ইন্দিয়াগী কিনান চেনাই পোইন্ট ৩ ৱাৎতুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে

*লোনাটো, জুলাই ০৩ (এজেন্সি)ঃ*
ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী পাঙথোকখিবা সোটগন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর কিনান চেনাই নুপাগী ত্রেপ ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৩ শোৎখিবদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌরে।

ওলিম্পিয়ান কিনান চেনাইনা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী ত্রেপ ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুদা শুপ্নগী পোইন্ট ১১৮ স্কোর তৌখিবদগী পোইন্ট ৩ ৱাৎতুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমহৌদ্রে।

কিনান চেনাইনা ঙসি ফংখিবা স্কোর অসি মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী নেম্বনি। একাপুলকো, অল এন অমদি চাংৱোনদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অহুমদা কিনানা চেনাইনা মথংশিংনা পোইন্ট ১২৩, ১২২ অমদি ১২০ স্কোর তৌবা ঙমখিবনি।

জুনিয়র মেন ত্রেপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ভিস্বা কুন্দু (১১০), ভিভান কাপুর (১০৯) অমদি ভোনিস মেন্দিরাট্টা (১০৮) স্কোর তৌবা পার্ফোমেন্স নীংথিনা পীবা ঙমখিদে।

সোটগন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী জুনিয়র ৱুমেন'স ত্রেপ ইভেন্টতা সুট্টর ৩০ না লম্বা তৌনখিবা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী কির্তি গুপ্ত, প্রিতি রাজাক অমদি আয়েসা খান মথংশিংনা ১৮, ২০ অমদি ২৫শুবা পোজিসন তাহৌখি।

**ক্রোসৱার্দ ২০৮ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | O | L | E | | O | D | E | S | | S | C | A | M | P |
| A | V | O | W | | P | A | S | T | | C | A | M | E | O |
| R | E | F | E | R | E | N | C | E | | A | M | E | N | D |
| T | N | T | | U | N | C | A | P | | R | E | N | D | S |
| | | | S | L | E | E | P | | A | L | L | | | |
| R | E | A | P | E | R | | E | A | S | E | | T | S | P |
| O | A | H | U | | | A | D | M | I | T | | E | U | R |
| U | T | E | N | S | I | L | | M | A | T | I | N | E | E |
| S | E | A | | P | L | A | T | O | | | R | E | D | S |
| E | N | D | | A | L | S | O | | E | L | A | T | E | S |
| | | | M | R | S | | R | O | L | E | S | | | |
| A | T | L | A | S | | A | P | P | L | E | | W | S | W |
| P | H | O | N | E | | D | E | T | E | R | M | I | N | E |
| E | A | R | N | S | | E | D | E | N | | I | D | O | L |
| S | W | E | A | T | | S | O | D | S | | N | E | W | T |